কম্মিটি শেম্নবা য়ানখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): শ্যের হোল্ডর ওফ ইম্ফাল অর্বান কোওপরেটিব বেঙ্ককী এসোসিএসনগী মীফম অমা ঙরাং মণিপুর প্রেস ক্লবকী হোলদা কে ঐচ অচৌনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা ৱারেপ অনী লৌখ্রে হায়না এসোসিএসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়রি।

ৱারেপশিং অদুদি, গ্রূপ কোদশিং হায়দোকহনবীনবা কোর্টতা হায়জবা অমদি বেঙ্ক অসিবু অফবা থাক্তা পুখৎলক্লবা অমদি চয়েৎনরিবশিং অসি কোকহন্নবগীদমক গ্রূপ খুদিংমক্তগী মেম্বর অমমম্ খন্দুনা হায় পাৱর কম্মিটি অমা শেম্বা হায়বা অসিনি হায়রি।

লুপা লাখ ৪.৪৪ গী দ্রগ ফারে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): চপ চাবা পাউ অমা ফংবদগী ইম্ফাল ইষ্ট পুলিসকী এদিস্নেল এস পি (ওপস) এম কুমারজিৎকী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্ট নার্কোটিক সেলগী ও সী ইন্সপেক্তর কেঐচ দেবকুমারনা লুচিংবা টিম অমনা য়াইরিপোক অজাদ জুনিয়র স্কুল মনাক্তগী নুপা অমা নম্বর ফোরে হেরোইন পাউদর গ্রাম ৩৭ কা কোন্ননা ফারে হায়রি।

ময়াই কাবা চীঞাক্কা কোন্ননা ফারবা নুপা অদুগী মমীং এম দি ইস্লাউদ্দিন (২৬) অপোকপা এম দি সিরাজ অহমদ কৌই। মহাক ময়াং ইম্ফাল ইরোং চেসাবদা লৈবনি। মঙোন্দগী মালেমগী কৈথেলদা লুপা ৪,৪৪,০০০ রোম ওইগদবা হেরোইন পাউদর অদু ফাবনি। মহাক মখা তানা ৱাহং পাউহং চথনবা অন্দ্রো পুলিস ষ্টেসনদা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

চীং-তম খাইবুং তানবা শিনবীগনু : সুসিন্দ্রো

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইস্যুনা মরম ওইরগা চীং-তমগী মরক্তা খাইবুং তানবা শিনবীগনু হায়না এম এল এ, এল সুসিন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকায়দা নৌনা শাবা লাইনিংথৌহনবা ক্লব অমদি লাইব্রেরী শঙ্গাবগী থৌরমদা ৱাঙাংলদুনা এম এল এ সুসিন্দ্রোনা হায়খি, ভি সী পান্দেদি চৎখিগনি, মহৈরোয়শিংগী পুন্সিদি মাঙহনবগী ফীভম লাক্কনি। এম য়ুগী ৱাথোক লোইশিন্নবা চীংগী মহৈরোয় লূপশিংনা তকশিনবদা বন্দ, জেনরেল ষ্ট্রাইক কৌবা হৌরকপা লাইবক থীবনি। লৈঙাক অসিনা চীং-তমগী মরক্তা নুংশিনবগী মরী পুরকখিবনি। ঈহৌ অসিনা কুইশিল্লক্লবদি মহৈরোয়শিংগী পুন্সি মাঙবা য়াবগী ফীভমদা লাকপদা মীওই কয়ানা রেল্লি চৎখি। অনৌবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং পায়খৎপদা কান্নদবনি হায়না কোংগ্রেসনা লাউরিবা অসি ইকায়নিংঙাইনি। খুঙ্গং চৎসি হায়বনচিংবা খোঙথাং অসি কান্নদে হায়রবদি কোংগ্রেসনা মতম কুইনা চহী ১৫ করিসু তৌরমদ্রিবা অদুনা মীয়ামদা কান্নহল্লিব্রা হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা খুরাই চিঙ্গাংবম লৈকায় গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান কাননবালানা প্রসিদেন্ট ওইখি। হৈঙাং সী দি ব্লোককী ব্লোক দিভলপমেন্ট ওফিসর সেনয়াই লৈমনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

অথৌবশিংগী নুমিৎ পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): হেরিটেজ কলচলরে ফাউন্দেসন অরাপতি মমাঙ লৈকায়না শিন্দুনা ১২৭শুবা অথৌবশিংগী নুমিৎ থা অসিগী ১৩গী অয়ূক পুং ৯ তাবদা কৈরাও এ সীগী এম এল এ লৌরেম্বম রামেশ্বর মীতৈনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা অরাপতি মমাঙ লৈকায় লম্পাক্তা পাঙথোক্কনি হায়রি।

অরাপতি মমাঙ লৈকায় য়ুথ ক্লব অমসুং হেরিটেজ কলচরেল ফাউন্দেসন অনীনা খূৎশম্নদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অথৌবশিংগী নুমিৎ অসিদা অথৌবশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা হৈকৎ লৈকৎ তম্বা, অথৌবশিংগী মীংদা কৎথোক্লবা ঈ হায়বা ৱাখল্লোন্দা ষ্টেট ব্লদ সেল, নেসনল হেলথ মিসন মণিপুর, ব্লদ বেঙ্ক এন্দ ট্রান্সফ্যুজন য়ুনিট জেনিমসকা খূৎশম্নরগা লাইফ সেভরস মণিপুরনা শৌগৎতুনা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প অমসু পাঙথোকপগা লোয়ননা হৌখ্রবা পুৱারীগী থৌদোকশিংবু ঙসিগী মীরোলদা নৌহৌননা নীংশিংহন্দুনা পুৱারীগী খোঙ্গুল লিনীংহল্লক্লবগী ইথিল পীবনি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): ধনমঞ্জুরি কোলেজ ওফ টিচরস এদ্যুকেসন ইম্ফালগী প্রিন্সিপাল ওইরম্বা ডা. কে পি গুইতেনা লৈখিদবদা কোলেজ অসিগী টিচর ত্রেনিং য়ুনিয়ন অমসুং টিচিং অমদি নন টিচিং ষ্টাফশিংনা ত্রেনিশিংগা লোয়ননা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

বোসেম্না লৌবা কম্পার্টমেন্টেল এগজামিনেসন অথুবদা হায়দোকপীয়ু : এসোসিএসন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুর (বোসেম) না লৌবা কুমজা ২০১৮গী কম্পার্টমেন্টেল এগজামিনেসনগী রিজল্ট থুনা হায়দোকপীদুনা ক্লাস এলেভেন্দা এনরোলমেন্ট তৌবা অমসুং মিং চনবা ফংহল্লু হায়না ওল মণিপুর রিকগনাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসন অসিগী সেক্রেটরি লাইশ্রম জয়না থোকপা চেরোল অমনা হায়, বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা লৌবা কুমজা ২০১৮গী কম্পার্টমেন্টেল এগজাম হৌখিবা জুলাই ২১দা পাঙথোকখি। এগজাম অসি সবজেক্ট মঙা থাবগী মনুংদা সবজেক্ট অমা ফেল ওইবা মহৈরোয়শিংদা খুদোংচাবা পীবা এগজাম অমনি।

এগজাম অসিদা মায় পাক্লবা মহৈরোয়শিংনা ক্লাস এলেভেন তমদুনা মখা তানা মহৈ মশীন তম্বা য়াগদৌরিবনি। মহৈরোয়শিংনা ক্লাস টেন পাস তৌরবা মতুংদা তুংগী পুন্সিগী ফিরেপ লৌজনবা হোৎনৈ। ক্লাস এলেভেন অসি মণিপুরদদি চহী অমগী মনুংদা শুপ্পগী নুমিৎ ১৫০নি হায়বদি থা ৫দগী হেন্না মহৈ তম্বা ফংদ্রে। মসিনা মরম ওইদুনা মহৈরোয় কয়ানা ক্লাস এলেভেনগী সবজেক্ট কয়াদা নীংথিনা মমুৎ তানা নৈনহৌদবদগী খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লি।

অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদ্রিবদি কম্পার্টমেন্টেল এগজামিনেসন মায়োক্লরিবা মহৈরোয়শিং অসিনি। মরমদি অয়াম্বা হায়র সেকেন্দরি স্কুল কয়া জুলাইগী অহানবা চয়োলদগী অনৌবা সেসন হৌনরি। অদুবু কম্পার্টমেন্টেল এগজাম মায়োক্লরিবা মহৈরোয় কয়াদি থা ১ নৎত্রগা ২ থেংথনা এগজামিনেসন তৌবনা মরম ওইবা অমদি রিজল্ট হায়দোক্পদা ক্লাস তৌবগী মতম হেন্না ফংদবনা অমুক্কা হেন্না খুদোংচাদবা কয়া থোকহল্লি।

হন্দক চহীগীসু বোসেমনা লৈবাক্কী ঈরাং খরা লৈবদগী হৌখিবা জুলাই ২১দা কম্পার্টমেন্টেল এগজাম তৌখি অমসুং এগজাম অসিগী রিজল্ট ঙসি ফাওবা হায়দোকপা ঙমদনা লৈরি। তোঙান তোঙানবা স্কুল কয়া এদমিসন ক্লোজ তৌদুনা কাউন্সিলনা মাগী মাগী স্কুলগী এলেভেন ক্লাসকী মহৈরোয়শিংগী এনরোলমেন্ট লিষ্ট থাগৎপা লোইনখ্রে। কোসেম্নসু এনরোলমেন্ট থাগৎপগী মতম কয়া থাদুনা অরোইবা মতম পীখ্রে।

মতাং অসিদা ওল মণিপুর রিকগনাইজ প্রাইভেট স্কুল ৱেলফ্যের এসোসিএসন্না ৱারিবদি কম্পার্টমেন্টেল এগজাম থারিবা মহৈরোয় কয়া ক্লাস এলেভেনগী এনরোলমেন্ট তৌবা নংহৌররোইদ্রা অমদি স্কুল কয়াদা মীং চনবা ফংলরোইদ্রা হায়বসিনি। সবজেক্ট কয়াদা নীংথিনা মার্ক ফংজবা অদুবু সবজেক্ট খরদা মশাগী খুদোংচাদবদগী নিংথিনা থাবা ঙমহৌদবা অফবা মহৈরোয় কয়াগী করিয়র মাঙলগদ্রা হায়না মীপাইবা পোক্লরি। কম্পার্টমেন্টেল এগজাম অসিবু শিনবী লাংবিরিবা বোসেম্না লৌরিবা থৌদাং অসিদগী খরা হেন্না লৌবীদুনা চহী মাঙলগদ্রা হায়না মীপাইরিবা মহৈরোয়শিংগী অৱাবা কয়া অসি অথুবা মতমদা উবীদুনা এগজাম হায়দোকপীয়ু। এগজাম অসি হায়দোক্লবা হোৎনবদা এসোসিএসন অসিনা পাংবা য়াবা মতেং পাংজগে। অথুবদা এগজাম হায়দোক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়না আপিল তৌরক্লি।

মণিপুরদা আর্টিকল ৩৭১ (এ) চৎনহনবা য়ারোই : নুপী মরূপ

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর নুপী মরূপনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা নেসনল দিমোক্রেটিক এলাইন্স লৈঙাক্লা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭১ (এ) বু নাগাগী পোলিটিকেল সেট্টলমেন্টগীদমক্তা এক্সটেন্দ তৌনবা হোৎনরিবা অসি ফুরুপকী মুক্কবা, পোলিটিকেলগী চরাংনবা অমসুং মণিপুর ষ্টেটকী লৈঙাক মপূং ফানা মথৌ পাঙথোকপা ঙমদনবনি হায়বা ৱারোলশিং য়াওবা মেমোরেন্দম অমা পীশিনখ্রে।

ওল মণিপুর নুপী মরূপকী প্রসিদেন্ট এম সখি অমসুং ভাইস প্রসিদেন্ট টি ঐচ ইবেতোম্বী অনীনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, গভর্ণর নাজমা হেপতুলা অমসুং চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনদা পীশিনখিবা মেমোরেন্দম অদুদা য়াওরিবা মরুওইবা ৱারোলশিংদি নাগা পোলিটিকেল প্রোব্লেম অসি শংদাইনবা হোৎনবদা নাগাশিংগী স্পিসিয়েল এরেঞ্জমেন্ট চৎনহনগনি হায়না ন্যু দেল্লিনা ফোঙদোক্লিবা ৱাফম অসি পোলিটিকেলগী ওইবা য়াম্না চাউনা অশোয়বা অমনি। অসিগুম্বা মখলগী থৌওং অসিনা কাঙলূপ, ফুরুপ কয়াগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোক থোকহনবগা লোয়ননা পোলিটিকেলগী ওইবা চরাংনবা কয়া থোকহনগনি। মণিপুরগী নাগাশিং য়াওনা চীংগী মীয়াম্না কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭১ (সী) গী মতুং ইন্না স্পিসিয়েল ষ্টেটস পীগনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

মতম অসিদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিদা হিল এরিয়াজ কম্মিটিনচিংবা মরী লৈনবশিংনা করিমত্তা খন্নদনা লৈরি। চীংগী লমদা লৈরিবা লোকল সেল্ফ গভর্ণমেন্টশিং অসি ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মখাদা মতিক চাবা পৱার অমসুং থৌদাং পীদুনা লৈঙাকচরিবনি। মরম অদুনা নাগাশিংনা খুন্দারিবা মফম য়াওনা চীংগী মফম পূম্নমক রিজার্ভ অমসুং সেদ্যুল এরিয়ানি হায়দুনা খাক্তুনা থমদুনা পার্লিয়ামেন্টরি সেগমেন্ট অনী আউটর মণিপুর অমসুং ইন্নর মণিপুর হায়দুনা খাক্তুনা থম্লিবনি হায়রি।

ওল মণিপুর নুপী মরূপনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা তকশিল্লিবদি মণিপুর ষ্টেটতা আর্টিকল ৩৭১ (এ) এক্সটেন্দ তৌগনু হায়বসিনি।

নেসনল হেন্দলুম দেগী থৌরমশিং পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): মরিশুবা নেসনল হেন্দলুম দেগী থৌরম মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম ৱিভরস এন্দ হেন্দিক্রাফটস আর্টিসান্স কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদনা শিন্দুনা নোনে দিষ্ট্রিক্ট, খুরাই অমসুং ইরিলবুংনচিংবদা থা অসিগী ৭তা পাঙথোকখ্রে।

দিভলপমেন্ট কম্মিস্নর ফোর হেন্দলুম, মিনিষ্ট্রি ওফ টেক্সটাইল গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী খূৎথাংদা দিরেক্টরেট ওফ হেন্দলুমস এন্দ টেক্সটাইল গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর অমসুং ৱিভর সর্ভিস সেন্তর ইম্ফালনা পূন্না শিন্দুনা ইরিলবুংগী হুয়েন লাংলোন থাঙ তা এসোসিএসনগী হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা নহাকপম ইন্দ্রজিৎ এম এল এ ক্ষেত্রিগাও এ সী, গোলমৈ কাচুংগাং জিলা পরিষদ মেম্বর বামোন কম্পু জিলা পরিষদ, কে ইন্দিরা প্রসিদেন্ট মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম ৱিভরস এন্দ হেন্দিক্রাফটস আর্টিসান্স কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদন-চিংবনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

নোনে দিষ্ট্রিক্টকী নুংবা ব্লোক লেভেল হেন্দলুম ক্লষ্টরনা শিন্দুনা লোংমাই-ফোর কম্ম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ভিলেজ ওথোরিটিগী মেম্বর অদিম গোলমৈ, মণিপুর এপেক্স হেন্দলুম ৱিভরস এন্দ হেন্দিক্রাফটস আর্টিসান্স কোওপরেটিভ সোসাইটি লিমিটেদকী বোর্দ দিরেক্টর এস ভুবোন, লোংমাই ফোর দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী চ্যেরমেন গেদিওন রিয়ামৈনচিংবনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

খুরাই চীঙাংবম লৈকায়দা খুরাই হেন্দলুম ক্লষ্টরনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা প্রধান এল কাননবলা, এপেক্স হেন্দলুমগী কে ইন্দিরা অমসুং সী দি ঈ মচি ব্লোক লেভেল হেন্দলুম ক্লষ্টরগী ঐচ সরজুবলানচিংবনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

অমরোমদা নোংপোক নিংথৌ সেল্ফ হেল্প গ্রূপ টোপ অৱাং লৈকায়গী ৱর্কসেটতা দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সটাইল ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা নেসনল হেন্দলুম দেগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদু টোপ দুসর হেন্দলুম ক্লষ্টর, মন্ত্রি পুখ্রি হেন্দলুম ক্লষ্টরনচিংবনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী উপ অধক্ষ ক্ষেত্রিময়ুম তামা, ক্লষ্টর দিভলপমেন্ট এগজিক্যুটিভ টোপ দুসরা হেন্দলুম ক্লষ্টর লাইশ্রম সরোজা, কন্সোর্টিয়মগী সেক্রেটরি থিংবাইজম গোমতিনচিংবনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি হায়রি।

জিপসী অমসুং ছটিশকী হকচাং ইমুং মনুংগী মীওইদা শিন্নৌ হায়বা খোল্লাউ লাউদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): ইন্দিয়ন আর্মিনা ফারবা মতুংদা হাৎখ্রবা জি জিটেশ্বর শর্ম্মা এলাইজ জিপসি অমদি কে ঐচ ছটিশ অনীগী অশিবা হকচাং ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা শিন্নদুনা মথৌ মঙম পাঙথোকহনগদবনি অমদি থৌদোক অসিদা চেন্নবা মরাল লৈবা ইন্দিয়ন আর্মিগী পার্সনেল চৈরাক পীগদবনি। লোয়ননা আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট ১৯৫৮ মণিপুরদগী লৌথোক্কদবনি হায়বনচিংবা খোল্লাউ লাউদুনা ঙসি লম্ফেল সুপর মার্কেটতা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

লম্ফেল সুপর মার্কেট কোওর্দিনেটিং কম্মিটিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মণিপুরদগী আর্ম ফোর্সেস স্পিসিয়েল পৱার এক্ট মপূং ফানা লৌথোক্কদবনি, মীওইবা খুন্নাইদা নুপী অঙাংদা চথুরিবা মীওৎ মীনৈগী অচৌবা পান্থৈ অমা ওইহল্লিবা এক্ট অসিগী মরুমদা মরাল লৈজদ্রবা মীওই চা কয়াগী পুন্সি মাঙহনখ্রে। সিক্যুরিটি পার্সনেলশিংনা ফাখ্রগা থিবা খঙখিদবা অমদি মাঙহনখিবা কয়া য়াওখ্রে। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিনা লমদম অসিদগী এক্ট অসি মরু ফুক্না লৌথোক্লবগীদমক চঙশিল্লকপা খোঙজংদা শরুক য়াগনি হায়না লম্ফেল সুপর মার্কেট কোওর্দিনেটিং কম্মিটগী চ্যেরমেন এস ইবেতোম্বীনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অমরোমদা, খুন্নাই কনবা অপুনবা মৈরা পায়বী লূপ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু মায়পাক্লা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নাগামপাল শিংজুবুং লৈরক্তগী জি জিটেশ্বর শর্ম্মা, থাংমৈবন্দগী পি ঐচনাওবী, শগোলবন্দ সয়াং লৈরক্তগী আর কে রোমেন অমসুং লাঙ্গোল লাইমনাইদগী টি ঐচ প্রেম হায়রিবা মীওইশিং অসি ইন্দিয়ন আর্মিগী পার্সনেলশিংনা ফারবা মতুংদা লোগী ওইবা ফংফম থোকপা চৈরাক পীদনা মীহাৎ থিনা হাৎতোকপীখ্রে। লোয়ননা জি জিটেশ্বর শর্ম্মা অমদি কে ঐচ ছটিশ অনীগী অশিবা হকচাং হৌজিক ফাওবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা ফংহন্দনা লৈরি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা মীয়াম্না মরাল লৈবশিং চৈরাক পীয়ু হায়দুনা লাউদুনা লাক্লি।

মরক অসিদা ইন্দিয়ন আর্মিগী ওফিসর অমনা পাউচেগী খূৎথাংদা মখোয় মঙাবু ইন্দিয়ন আর্মিনা ফারবা মতুংদা হাৎখিবনি হায়না কোর্টতা থাঙ্গৎলকপা এফিদেভিদ অদুনা ময়েক শেংনা তাক্লি। অসিগুম্বা ৱায়েল চথুদনা হাৎখিবশিং অসি য়ানীংদে হায়না খুন্নাই কনবা অপুনবা মৈরা পায়বী লূপনা ফোঙদোরক্লি।

জি জিটেশ্বর অমসুং টি ঐচ ছটিশ অনীগী অশিবা হকচাং ইমুং মনুংদা শিন্নবীয়ু। থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা ইন্দিয়ন আর্মিগী ওফিসলশিং অমদি মরী লৈনবা মীওইশিং ইন্দিপেন্দেন্ট ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি অমনা থিগৎহন্দুনা লোগী ওইবা ফংফম থোকপা চৈরাক ফংহনবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সীনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা খুন্নাই কনবা অপুনবা লূপনসু শৌগৎকনি হায়রি।

নম্বোল এরিয়া মৈরা পায়বী অপুনবা লূপকী সেক্রেটরি টি ঐচ চাউবীনা থোকপা চেরোল অমনসু জি জিটেশ্বর অমদি কে ঐচ ছটিশ অনীগী অশিবা হকচাং ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা ফংহন্দনা লৈরিবা অসিবু ফংহনবীনবা অমদি থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংবু ৱায়েল চথুদুনা ফংফম থোকপা চৈরাক ফংহনবীয়ু হায়না তকশিল্লক্লি।

লৈখিদ্রবা সটিসকী হকচাং শিন্নবীয়ু হায়না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): শিলোংগী সেন্ট দোমিনিক স্কুলদা কুমজা ২০১০গী ফেব্রুৱারী ৫দা লাইরিক তম্বা চৎখিবদগী হৌজিক ফাওবা মরী মখোঙ খঙদনা লৈরকখিবা শগোলবন্দ বিজয় গোবিন্দা থাংজম লৈরক্তগী লৈখিদ্রবা থাংজম চাউবা অমসুং থাংজম ওংবী সনাতোম্বীগী মচানুপা থাংজম সটিস হন্দক্তা পাউচেদা হাৎখিবগী পাউ য়াওরকপা থেংনরে। মরম অদুনা লৈখিদ্রবা সটিসকী মথৌ মঙম পাঙথোক্লবা মহাক্কী হকচাংগী শরুক খরতা ওইরবসু পিবিয়ু হায়না শগোলবন্দ মৈনো লৈরক্তা লৈবা ইবুধৌ খমলাংবগী শঙলেন্দা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা শগোলবন্দ মৈনো লৈরক অখাম লম্পাক মৈরা পায়বী লূপকী সেক্রেটরি লাইশ্রম চিত্রানা ফোঙদোকখিবদা থাংজম সটিস অসি ময়ূমদগী লাইরিক তম্বা চৎখিবদগী মফম খঙদনা লৈরকপনি। হন্দক্তা পাউচেদা য়াওরকপা রিপোর্টতা মহাক্কী মরী মখোঙ খঙলকখিবনি। সটিসকী অশিবা হকচাং ময়ূমগী মীওইদা শিন্নবীয়ু। মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবশিং অথুবা মতমদা লোগী ওইবা চৈরাক পীগদবনি। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টতা মীহাৎ অসিগী ৱায়েল পুথোক্লবা তকশিনগদবনি। হৌজিক ফাওবা মথৌ মঙম পাঙথোক্তনা লৈরিবা অসি পাঙথোক্লবা সটিসকী হকচাংগী শরুকশিং ইমুং মনুংদা শিন্নবীয়ু হায়খি।

ইরাবত পার্কতা রিজার্ভ পার্কিং ওইহনবীগনু : ফোরম

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): ককচীং কৈথেলদা লৈরিবা ইরাবত পার্কতা রিজার্ভ পার্কিং ওইহন্নবা লাউথোকখিবা থৌশিল অমুক হন্না খন্নবীনবা ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী এগজিক্যুটিভ ওফিসরদা সেনিয়র সিটিজন্স ফোরম্না ৱাকৎ চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

সেনিয়র সিটিজন ফোরম ককচীংগী সেক্রেটরি কে এস ঐচ কুল্লহরিনা খূৎয়েক পীদুনা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা য়াওরিবশিংদি ককচীং বজারগী ময়োলদা লৈরিবা ইরাবত পার্ক অসি জননেতা ইরাবত নীংশিং লূপ ককচীংনা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা ককচীং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমদি লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী অয়াবা লৌরগা লময়ানবা হিজম ইরাবতপু ইকায়খুম্নবগী নীংশিং খুদম ওইনা কুমজা ১৯৯৭তা শঙ্গাখিবনি। শঙ্গারবা মতুংদা জননেতা নীংশিং লূপ ককচীংনা লময়ানবা হিজম ইরাবতকী মপোক কুমওন থৌরম চহী খুদিংগী লেপ্পা লৈতনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা মফমনি। মরম অদুনা হায়রিবা মফম অসিদা রিজার্ভ পার্কিং ওইগনি হায়না থোকচিল্লক্লিবা এগজিক্যুটিভ ওফিসরগী থৌশিল অসি অমুক হন্না খন্নবীয়ু হায়বা ৱারোলশিং য়াওরি।

কবুই মাদরস এসোসিএসনগী মপোক কুমওন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): কবুই মাদরস এসোসিএসন (কামা) গী ১৪শুবা মপোক কুমওন থৌরম থা অসিগী ৭তা পাওনা কৈথেলদা লৈবা কাখুলোং কবুই খুলগী জেলিয়াংরোং য়ুনিয়ন ওফিসকী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা জেলিয়াংরোং য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট পৌ অমু কামৈনা চীফ গেষ্ট, জেলিয়াংরোং য়ুয়িনন ইম্ফাল জোনগী চ্যেরমেন পৌ দি ঐচ গাইখেনমৈ কবুইনা গেষ্ট ওফ ওনর অমসুং পৌ লনবোই কবুই ফাউন্দর এদভাইজর কামা মণিপুর, পৌ নমদোন কবুই সেনিয়র য়ুনিয়ন লীদর অমদি পৌ অলু কামৈনা থৌরম মপূ ওইখি হায়রি। থৌরম অদুগী অহৌবদা লৈখিদ্রবী লু ককোম লুংলু হায়না খঙনবা কামাগী প্রসিদেন্টগী অয়েকপা মীত্তমগী লৈ-শু কৎতুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। লোয়ননা মিনট ২ তুমিন্না লৈদুনা ককোম লুংলুনা মপূগী নাক্তা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিখি হায়রি।

কৈথেল শঙ শাবীয়ু : য়ুনিয়ন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): খুমন লম্পাক মনাক্কী আই এস বি টিগা মায়োক্লনা লৈরিবা এপেক্সকী হারগী গুদাউন অসিগী মনাক্তা গভর্ণমেন্টকী লম ওইরিবা মফম অসিদা চীং তমগী ইমা ইবেলশিংনা ফম্নবা কৈথেল অমত্তং শাবীনবা মমাঙগী লৈঙাক্তা হায়জবদগী নুপী কৈথেল শাবীরগনি হায়দুনা শেল কায়রকখি, অদুবু শাবিরমখিদ্রে। অনৌবা লৈঙাক অসিগী মীয়ামগী নুমিত্তা হায়জরুবদসু কৈথেল শাবীরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্বীরকখিবা অদু অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকপীরো হায়না ইমা পান্থোইবী ষ্ট্রিট ভেন্দর য়ুনিয়ন খুমন লম্পাক্কী সেক্রেটরি ৱাই রোমিতানা ফোঙদোকখ্রে।

ঙরাং নুংথিল মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা রোমিতানা মখা তানা হায়খি, কৈথেল শাবীগনি হায়রিবা মফম অসি এপেক্স কোপরেটিভ মার্কেটিং সোসাইটি লৈরিবা মফম অসিদা ত্রাইবেল বোইজ হোষ্টেল শাগনি হায়বগী ৱাফম অমা লাক্লে। মসিদা হায়নীংলিবদি মফম চাবদা হোষ্টেল হাংদোকপীবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। মহৈরোয় হায়বসিদি মীয়াম্না লাংদবা মফমদা অহাংবা মফম য়েংদুনা তুংগী খন্দুনা শাবীয়ু। মফম অসিদা কাঙলূপ ফুরুপ খুদিংমক্না ফম্বা য়াবা কৈথেল শাবীয়ু অমদি কম্যুনেল ওইরক্কদবা খোঙথাংসু লৌখৎপীগনু হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

জোইন্ট ষ্টুদেন্টস কোওর্দিনেটিং কম্মিটিনা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী এ পি পান্দেবু ছুটি পীখ্রে হায়রগা য়ুনিভর্সিটি গ্রান্টস কম্মিসনগী চ্যেরপার্সন ওইনা সেন্ট জোসেফ কোলেজ জখমাদা মহাক্লা লুচিংদুনা ইন্সপেক্সন চৎলম্বা অসি সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমসুং মীয়াম্না চঙশিল্লিবা এ পি পান্দে লৌথোকউ হায়বা খোঙজং অসি থৌশাদে হায়বা তাকচরে হায়না জোইন্ট ষ্টুদেন্টস কোওর্দিনেটিং কম্মিটি (জে এস সী সী) গী চেরোল অমনা হায়রি।

জে এস সী সীগী মিদিয়া কোওর্দিনেটর এন চেত্তন্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, লিভতা লৈবা ভি সী এ পি পান্দেবু য়ু জি সী টিমগী ইন্সপেক্সন অদুদা চ্যেরপার্সন ওইহল্লন্লিবা অসি করম্বা মখলগী লিভনো হায়বসি ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমসুং সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা শেংদোক্কদবনি। মীয়ামগী গভর্ণমেন্টনি হায়না লাউরিবা মণিপুর গভর্ণমেন্ট অসি মহৈরোয় অমসুং লান্না পুনবা হোৎনরে হায়বসি হায়মনবা থোক্লোই। জে এস সী সীনা মণিপুর গভর্ণমেন্টতা থা অসিগী ৬তা থমখিবা ৱাফম অদু অথুবা মতমদা থবক্তা ওন্থোকপীয়ু। করিগুম্বা গভর্ণমেন্টনা নাথৈনবা হোৎনরক্লবদি মহৈরোয়শিংগী লূপ ওইরিবা জে এস সী সীনা কোলেজগী মহৈরোয়শিংগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিল্লগনি।

এ পি পান্দে কনখৎলগা মণিপুরবু মচেৎ মচেৎ থুগাইদুনা লৈবাক মীয়াম অমসুং মহৈরোয়শিংগী পুন্সি করিসু লৈতনা খল্লিবা সেন্ত্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী থৌওং অমদি থৌশিল অসি মপা-মমা ওইবগী থৌওং নত্তে হায়না ফোঙদোরক্লি।

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): তাকয়েল খোঙবান্দা লৈবা হোপ হোম ইম্ফাল (চিলদ্রেন হোম ফোর গর্লস) কী লম্বী থা অসিগী ৭তা শিংজমৈ এ সীগী এম এল এ অমসুং মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী স্পিকর ৱাই খেমচান্দ অমদি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱর্দনম্বর ১৬কী কোর্পোরেটর টি ঐচ এলেজা অনীনা নূং থাবীরম্বা অমদি জে সী বি পুবিরক্তুনা চৎথোক চৎশিন য়াবা লম্বী ওইহনবীরম্বগীদমক হোম অসিগী প্রসিদেন্ট রেবরেন্ট কে ঐচ নিলবিরনা থোকপা চেরোল অমনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

‘এম য়ুগী একাদেমিক এটমোসফ্যের হঞ্জিলহনবীয়ু’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): এম য়ুগী ভি সী এ পি পান্দেবু শিনেদাকপীরো হায়না থা ২ হেন্না ঈহৌ হৌবসিদা ভি সীনা অশেংবা ওজা অমা ওইরম্লবদি নহান্না মোরেল গ্রাউন্দদা ফম থাদোকচরগবনি হায়না হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দর মণিপুরনা ফোঙদোরক্লি। হ্যুমেন রাইটস দিফেন্দরগী জেনরেল সেক্রেটরি রাকেস মোইরাংথেম্না থোকপা চেরোল অমনা হায়, ঐচ আর দি মিনিষ্ট্রি অমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টসু মতিক চাবা রেসপোন্স পীবিবগী মহুত্তা য়েংদুনা লৈরে। এম য়ুগী মহৈরোয়শিংনা দেমোক্রেটিক ওইনা ঈহৌ হৌরিবা অসিগী ইহুল উবিদুনা মখল মখা কয়াগী পোরম শিন্দুনা খোঙজং অসিবু নমথনবা হোৎনরিবা লোয়ননা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী থৌরাং মখাদা মীওই খুজোক খরা নেল্লগা এম য়ু থিংজিনবা য়ানীংদে হায়না খোঙজং মচা খরা চঙশিনবগী থৌওং পূম্নমক্লা উখ্রে। মরম অদুনা হ্যুমেন রাইট দিফেন্দর মণিপুরনা থম্মোয় শেংনা মণিপুর মীয়ামদা আপিল তৌজরি মদুদি হৌজিক য়াম্না লুরবা তানফম অসিদা থম্মোয়দগী থোরকপা খোঞ্জেলগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংগী তুংগী পুন্সিগীদমক খনবীদুনা ঈহৌ অসিবু মতেং পাংবীদুনা য়াম্না থুনা মীয়াম পূম্নমক্কী অপাম্বা একাদেমিক এটমোফ্যের হঞ্জিন্নবা হোৎনরসি হায়না পাউজেল পীজরি।

এস এস য়ু এমনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুসনগী মনুংদা লৈবা সেকমাই খুন্থী হায় স্কুলগী অৱাৎপা ওজা থাবীরকউ অমদি মতম চাদনা ট্রান্সফর থাদোকখ্রবা হেদ মাষ্টর ইন চার্জ হলহনবীরকউ হায়দুনা হৌখিবা জুলাই ২৫দা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংগা সোসলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুরগা লোয়ননা নোংপোক সেকমাইগী অকোয়বদা ৱাকৎ খোঙচৎ অমা চৎখ্রবা মতুংদা অৱাৎপা ওজা ৬ থারকখ্রে হায়রি।

এস এস য়ু এমগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি রসিদ এম এমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, স্কুল অসিগী পূন্না ওজা ২২ লৈগদবগী মনুংদা ১১ খক্তা লৈদুনা য়াম্না ৱানা মহৈরোয়শিংবু তাকপী তম্বীদুনা লাকখিবনি। লোয়ননা স্কুল অসিগী হেদ মাষ্টরগী পোষ্ট অসিসু ৱাৎতুনা লাকখিবনি। অদুবু ৱাকৎ খোঙচৎ অদুগী মতুংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীরক্তুনা অৱাৎপা ওজা ১১গী মনুংদা রিগ্যুলর হেদ মাষ্টর য়াওনা ওজা ৬ থারকখ্রে। এস এস য়ু এমগী খোঙজংবু ইকায়খুম্নবা ওইনা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কনবীবগীদমক জেদ ঈ ও থৌবাল অমদি এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টপু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

ঈশৈ নোংমাইগী মহৈরোয়শিং ওকপগী থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ম্যুজিক এসোসিএসন্না শিন্দুনা হৌখিবা চহীগী ক্লাস টুয়েল্ভ অমসুং টেনগী এগজামিনেসন্দা মায় পাকখ্রবা মহৈরোয়শিংগী মনুংদা ঈশৈ নোংমাইবু সবজেক্ট অমা ওইনা লৌবা মহৈরোয়শিং ইকায়খুম্নবা উৎপা অমদি পূক্লিং থৌগৎপগী থৌরম থা অসিগী ১৯দা জোনষ্টোন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা পাঙথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ওল মণিপুর ম্যুজিক এসোসিএসনগী সেক্রেটরি অরাম্বম রোবিন্দ্রোনা হায়খি, রিসিপ্টসন কম ফেলিসিটেসন থৌরম অমা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী মরুওইবা পান্দমদি মণিপুর গভর্ণমেন্টকী মখাদা লৈবা স্কুলশিংদা নৌনা হাংলক্লিবা ঈশৈ নোংমাইগী সবজেক্ট অসিবু তন্নিবা মহৈরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎতুনা হেন্না অৱাংবা থাক্কী লৌশিং তানশিন্নীংবগী ৱাখল্লোন পোকহন্নবা অমদি লমদম অসিগী ঈশৈগী থাক ৱাংখৎহন্নবনি হায়রি।

মতম অমদা ঈশৈ হায়বা অসি ঙাইহাক নুংঙাইথোক্লবা, অৱাবা পোথানবা ওইনা লৌনরম্মী। অদুবু ঙসিদি ঈশৈনা মীওইবগী পুন্সিদা নত্তনা শা-ষণ অমদি পাম্বীনচিংবদা কান্নবা কয়া পীরে হায়বসি সাইন্টিফিক ওইনা অখঙ অহৈ কয়ানা চাংয়েং তৌদুনা থিজিনবদগী খঙবা ঙম্লে। অমেরিকানচিংবা লৈবাকশিংদা ম্যুজিক থেরাপি শীজিন্নদুনা কেন্সর মখল খরা ফাওবা লায়েংবা ঙন্নকপা, শঙ্গোম শুল্লিবী ষণবীনা পোথাবা মতমদা নুংশিবা ঈশৈ তাহন্দুনা শঙ্গোমগী পোথোক হেনগৎহনবা অমদি পাম্বীশিংদসু ম্যুজিক তাহনবগী কান্নবা কয়া অখঙ অহৈ কয়ানা চাংয়েং তৌদুনা পুথোকখ্রে।

মতম অমদা গভর্ণমেন্টকী স্কুল খরদা ঈশৈ অসি ভোকেস্নেল কোর্স ওইনা লৈরম্বদগী ওপসনেল পেপর ক্লাস, ইলেক্টিভ পেপর ওইনা হাংদোক্তুনা ক্লাস এলেভেন্দগী টুয়েল্ভ ফাওবগী সেলেবসতা য়াওহন্দুনা মহৈরোয়শিংদা তম্নবগী খুদোংচাবা পীরে। অদুবু লুরিবদি হাপফম থোকপা ওজা হাপ্তুবনা তম্নিংবা মহৈরোয়শিং তম্বা ফংদনা লৈরি।

ক্লাস টেনগী ওইনা গভর্ণমেন্টকী স্কুল অমা অদুগা প্রাইভেট স্কুল ৯দা পূন্না মহৈরোয় ২০১৬ এগজামিনেসন থাবদা মহৈরোয় ১৮৬ পাস তৌখি অমসুং ক্লাস টুয়েল্ভকীদনা গভর্ণমেন্ট স্কুল অমা অমদি প্রাইভেট স্কুল অমদা পূন্না মহৈরোয় ৩ এগজাম থাখি। থা অসিগী ১৯দা পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসিদা ঈশৈ নোংমাইগা মরী লৈনবা মহৈরোয়শিং অমদি ওজাশিংনা শরুক য়ারনবা ৱাফমসু ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা পীখৎপীয়ু হায়রি।

‘মহৈরোয়শিংগী ঈহৌবু লান্না উহন্নবা হোৎনবনি’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): এম য়ুগী ম্যেন গেট মমাঙমক্তদা ৱাকৎ মীফম ফমলগা মীয়াম্না খোঙচৎ চৎশিল্লকপা অসি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংগী ঈহৌ অসিবু লান্না উহন্নবা হোৎনবনি হায়না ৱিমেন ৱেলফ্যের ওর্গেনাইজেশন্না ফোঙদোরক্লি।

ওর্গেনাইজেসন অসিগী সেক্রেটরি এ লক্ষমিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী মফম অয়াম্বদা নোংমতদা মীয়ামগী খোঙচৎ অমদি ৱাকৎ মীফম পাঙথোকপা হায়বসি কনানা, করম্না করিগী, শিল্লিবনো অমুক হায়নদ্রবসু মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। থবক অমা তৌববু অশিন অৱাং অমা য়াওদনা য়াব্রা হায়না হংলকপগা লোয়ননা থা ২ চুপ্পা মহৈ তম্বা ফংজদ্রবা মপি মপা লৈতবগা পাঙ্খক ওইরগা মহৈরোয়শিং নুংশিদুনা মীয়ামগী খোঙচৎ অসি চৎপীরম্লবদি য়াম্না নুংঙাইগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

‘মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিলহল্লু’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০৯ (ঐচ এন এস): কোমরেম য়ুনিয়ন নোর্থইষ্ট ইন্দিয়ানা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা অথুবা মতমদা একাদেমিক এটমোসফ্যের হঞ্জিন্দুনা মহৌশাগী পুন্সিদা লৈহন্নবা আপিল তৌরক্লি। পোলিটিকেল পার্টি পূম্নমক্তা পোলিটিকেলগী ওইবা থৌইনশিন ভি সী এ পি পান্দে লৌথোকউ হায়বা অসিদা য়াওদনবা য়ুনিয়ন অসিনা অমুক হন্নসু আপিল তৌরি। মহৈরোয়শিংগী করিয়রনা পূম্নমক্কী মথক্তা লৈবনা ইনক্কারি লোইদ্রিবা ফাওবা মহৌশাগী একাদেমিক এটমোফ্যেরদা হঞ্জিন্নবা ৱাফমসু য়ুনিয়ন অসিগী প্রসিদেন্টনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।